# আইএলপি সিষ্টেম চৎনহনবা লুগদৌরি এমঐচএগী রেস্পোন্স থয়াইনরি

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জুলাই ৯ঃ* থা অসিগী ১৩ দা লোইগদৌরিবা এসেমব্লি মীফম অসিগী মনুংদা লমদমসিদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহন্নবা ৱারেপ লৌগদবনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী অকনবা ঈহৌ লৈরবসু সিষ্টেম অসি চৎনহন্নবা হোৎনবদা অরুবা অমা ওইগদৌরি। ষ্টেট সরকারনা ইশু অসি সেন্টরগী য়াকা য়েংদুনা থবক তৌবা অদুগা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনসু মসিদা থয়াইননা পাউখুম পীরকপনা এসেমব্লি মীফম অসিদা ৱারেপ লৌগদৌরিব্রা নত্রগা লৌরোইদৌরিব্রা হায়বদু তম্বা ঙমদবা ফিভম অমদা লৈরি।

মীয়ামগী অকনবা ঈহৌ অসিগা মরী লৈননা ঙসি অমুক হন্না চিফ ওফিস সেক্রেটরিয়েটতা কংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী মীফম পাঙথোক্তুনা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহন্নবগী মতাংদা খন্নখ্রে। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা কংগ্রেস এমএলএশিংগী মায়কৈদগী পার্মিট সিষ্টেম অসি চৎনহন্নিংবগী অপাম্বা কয়া ফোঙদোক্লখি। মমাংগী কেবিনেট মীফমনা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম মণিপুরদা চনহন্নবগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী মত হংখিবা অদুগী পাউখুম ওইনা মিনিষ্ট্রি অসিনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা সিটিজন খুদিংমক অতোপ্পা ষ্টেট অমদগী ষ্টেট অমদা চংথোক-চংশিন তৌবা অমদি লৈবা হায়বসি ভারত সংবিধানগী অয়াবা লৈবনা মসিদা মিনিষ্ট্রি অসিনা চপ চাবা ফিরেপ অমা হায়বা ঙমদ্রি। মসিগী মতাংদা কেন্দ্রগী কেবিনেটতা খন্ননবা পুখৎখ্রে হায়না ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদুবুসু ঙসিগী সিএলপি মীটিং অদুনা য়াম্না কুপ্না খন্নখি। ফিভম অসি লৈবনা চপ চানা ৱারেপ লৌবদি ঙমখিদ্রে। মসিগী পাউখুম লাক্লবা মতুং থা অসিগী ১১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা কেবিনেট মীফমনা করি ফিরেপ লৌরক্কদবনো হায়বদু য়েংবা তারি হায়রি।

অমরোমদনা, আইএলপি দিমান্দগা মরী লৈননা শিদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চংশিনবগীদমক পুলিসনা মশা মতোমতা শিনবা হোৎনৈ হায়বগী মরালদা ফাজিনদুনা জুদিসিয়েল কষ্টদি রিমান্দ লৌথখ্রবা কে বি শর্ম্ম হকচাংগী ফিভম ফৎচিল্লক্তবদগী ঙসি জেনিমসতা পুখৎলক্তুনা লায়কন্নখ্রে।

জুদিসিয়েল কষ্টদিদা লৈরিবা অদুগা য়াম্না দিমোক্রেটিক ওইবা মওংদা খোঙজং চংশিল্লিবা অদুগা হার্ট পেসেন্ট অমসু ওইরিবা অমবু য়াম্না হন্থবা মওংদা তয়াংনা লৌদুনা জেনিমসকী মেল ৱার্দ (জেনরেল) গী বেদ নম্বর ৪ দা থমজিনববু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি। অমরোমদনা আইএলপি দিমান্দগা মরী লৈননা ঙসিসু মফম কয়াদা মাস সিট ইন প্রোটেষ্টকী খোঙজং চত্থনখ্রে।

জেনিমসকী জেনরেল ৱার্দতা লায়কন্নরিবা ফ্রেন্দসকী এদভাইজর কে বি শর্ম্মনা ফোঙদোরকখিবদা, মহাক ঙরাং পুলিসনা জেলদা থাজিল্লবা মতুং ঙসি অয়ুক জেল মনুংদগী মহাকপু কৌথোক্লগা নম্ফুন্দা ইঞ্জেক্সন, দ্রিপনচিংবা কাপ্পবা হোৎনরকপদগী মুক্লবগী থৌদোক থোকখি। মদুদা মহাক্কী মশা তেন্সন ৱাংখৎলকপদগী ঞান মাংখি। মহাক্না ঞান তারকপদা ডাক্তর চেনশিল্লক্লগা লায়েংলমখি। মহাক্না ঞান তাদ্রিঙৈদা ডাক্তরনা মঙোন্দা করি করি তৌবনো হায়বদু খঙদ্রে। ডাক্তরগী এদভাইস মতুংইন্না হোস্পিতালদা পুখৎলকপা ওইরম্বা য়াই হায়খি।

জেল মনুংদা মহাকনহাশিংগী কাদা পুন্না লৈমিন্নে। মখোয়নসু য়াম্না লুনা তৌদুনা নুংঙাইনা লৈমিন্নে। অদুবু জেলগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা তৌরিবা ত্রিটমেন্ট অদুদি পেনেদ। হোস্পিতালদা লৈরগসু মাগী খোঙজং হল্লোই। অদুম ওইনমক চরা হেনবগা মরী লৈনদবা ইঞ্জেক্সন থাবদি কায়দে হায়খি।

জেনিমসকী ডাক্তর অমনা ফোঙদোকখিবদা, কে বি শর্ম্ম হার্টকী ডাক্তর সচিনদেবগী পেসেন্টনি। মরম অদুনা হোস্পিতালগী মায়কৈগী মহাকপু স্পেসিয়েল ৱার্দ নত্রগা আইয়ুসিদা থম্বা দরকার ওইবনা বেদ খাক্তুনা থমখিবনি। অদুবু জেলগী ওথোরিটিগী মায়কৈদগী চরা হেল্লিবা কে বি শর্ম্ম জুদিসিয়েল কষ্টদিদা লৈবনা জেনরেল ভিয়ুদা বন্দি অমগা চপ মান্নবনা আইসিয়ু নত্রগা স্পেসিয়েল ৱার্দতা থম্বা য়ারোই হায়বদগী জেনরেল ৱার্দতা হোস্পিতালগী মায়কৈদগী থম্বনি।

কে বি শর্ম্ম হার্টকী পেসেন্ট ওইবনা ফিভম লুরি। হার্টকী হিদাক থাবদা চাকখাও হাংনা চাবসু য়াদে। ঈ কন্ট্রোল তৌনবা হিদাক চাদ্রবদি ষ্ট্রোক তৌখিব সু য়াই। করিগুম্বা চাকখাও হাংনা হিদাক থারুরগসু চাকখাওদগী ঈ থোক্তুনা অরুবা ফিভম অমা ওইখিবসু য়াই ফোঙদোরকখি।

জেনিমসকী মেদিসিনগী হেদ ইন চার্জ ওইরিবা এসোসিয়েট প্রো: ডা: অচৌবা উন্নবা হোৎনবদা পুলিসনা পাউমী ওইরবসু উন্নবা য়ারোই। উন্নগে হায়রবদি জেলগী এসপিদগী অয়াবা লৌগদবনি হায়না অথিংবা পীরকখি।

অমরোমদনা আইএলপি দিমান্দগা মরী লৈননা ঙসিসু তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাক শন্না ধরনা চত্থখ্রে। জেলিয়াংরোং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্নসু আইএলপি দিমান্দ শৌগৎতুনা সিষ্টেম অসি চৎনহন্নবা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে। ইম্ফাল-দিমাপুর সার্ভিস ৱিঙ্গর ওর্নরস ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন্না খুয়াথোংদা, ওল ৱাংজিং লমদিং ৱুমেন দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন, ওল ৱাংজিং দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অমসুং ওল থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন্না ফ্রেন্দসকা খুৎশম্নদুনা ৱাংজিং নিউ মার্কেট সেদতা, ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোইশিংনা স্কুলদুগী গেটতা, ওল মণিপুর হেন্দিকেপ পার্সন ৱেলফেয়র এসোসিয়েসন্না ক্বাকৈথেলদা, সার্উদন ইম্ফাল কলচরেল ওর্গনাইজেসন অমসুং ৱুমেন ৱেলফেয়র তম্ফাতোন লাইরেম্বী, মৈরা পায়বী লুপ্পা হাওবম মরক্তা, পোরোম্পাৎ জুনিয়ার হায়স্কুল অমসুং নিংথি চাইবী মহিলা মন্দলনা থম্বালখোং শাবল লৈকাইদা, অকোম লুপ্পা তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইদা, ক্বাকৈথেল লমদোং মৈরা পায়বীনা ক্বাকৈথেল লমদোংদা, কোনুং মমাং কৈথেল নুপী লুপ্পা কোনুং মমাংদা, ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকাই মৈরা পায়বীনা লৈকাইদুমক্তা, সেন্ট ফেনোমেনা স্কুল খুরাই, য়ং পাইওনর স্কুল খুরাই, এনজি মঙ্গি হায়র সেকেন্দরি স্কুল চাইরেলথোং, প্রাইম রোস খাবৈশোই, লৈশেম্বা মহৈকোল, সক্সেস স্কুল, নমজোকলুং হায়স্কুল শওম্বুং, সিসি হায়র সেকেন্দরি স্কুল, পাইওনর একাদেমি, রোয়েল একাদেমি ওফ সাইন্সনা মখোয় মখোয়গী স্কুলটগী গেটতা ধরনা চত্থখি।

ওল ময়াই লম্বী জোইন্ট ট্রান্সপোর্ট কম্মিটিনসু আইএলপি দিমান্দ শৌগৎলদুনা ঙসি হৈরাঙ্গোইথোং, লংথবাল ফুরা মখোং, ৱাঙ্গোই বজার অমসুং ময়াং ইম্ফাল বজারদা ধরনা চত্থখ্রে। কম্মিটি অসিগী চেরোল অমনা হায়রিবনা, মণিপুরদা রেলৱে লাইন লাক্লিঙৈদা মীতোপকী মশিংনা মণিপুরগী শরুক অহুম থোকপগী অমা ওইখ্রবা মতমসিদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহৌদবা তারগদি রেলৱে লাইন য়ৌরকপদা শোয়দনা মীতোপ্পা মশিং হেনখিদুনা মাইনোরিটি তাহৌরগনি। মরম অদুনা গভর্নমেন্টনা প্রজাগী ঈহুল খঙনা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহন্নবা শিনবীয়ু। মণিপুর মীয়াম অমসুং জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেমনা ইন্নর লাইন পার্মিট চৎনহন্নবা চংশিল্লকপা খোঙজংদসু শৌগৎকনি হায়রি।